**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাদা রোকেট বোম কাপশিল্লকপদগী মীশি মীনা থোকখ্রবা মতুং খোইশাওনরবা মীয়ামা ঙরাং নুমিদাং অনিসুবা অমসুং ৭ শুবা মণিপুর রাইফলসতা খুৎলায় পীয়ু হায়না থোমজিখ্রে।

২) মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা ঙসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৩) কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজগী ডোক্তর নুপী অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা ফাখিবা শঞ্জয় রোই নুমিৎ ১৪ নি জেলদা থাজিনখ্রে।

**------**

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং অমদি ত্রোংলাউবীদা রোকেট বোম কাপশিল্লকপদগী মীশি মীনা থোকখ্রবা মতুং ঙরাং নুমিদাং খোইশাওনরবা মীয়ামা অনিসুবা মণিপুর রাইফলসতা থোমজিনখ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা খোইশাওনরবা মীয়ামা খুৎলায় পীয় হায়না থোমজিনখি। মদুদা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা তিয়ার গ্যাস, মোক বোম অমদি লাইভ রাউন্দ কয়া কাপ্পুনা মীয়াম অদু তানখায়খি। মদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংবদগী হোস্পিতালদা লায়কন্নখি হায়রি। থৌদোক অসিগা ইকান কান্নদনা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা ৭

শুবা এম.আরদসু মীয়াম থোমজিল্লক্তুনা খুৎলায় লৌনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক, মীয়ামগী ইরাং অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মতম চানা লাকশিনখি। খুৎশু খুৎলায় লৌখিবগী পাউদি লৈতে।

জিরি (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী নুংচেপ্পিদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ময়ুমদা তুমদুনা লৈবা মীওই অমা খুৎলায় পায়বশিংনা চংলক্লগা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শিরে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- থৌদোক অসি জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিতর ৭ লোম চৎলগা লৈবা নুংচেপ্পিদা থোকখিবনি। মফম অদুদা অকনবা মওংদা খুৎ থোকরি। মখা তাবা অকুপ্পা পাউ ঙাইরি।

দ্রোন (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী থাংজিং চীংশাংনা কোনবা তেরা খোংশাংবী, ত্রোংলাউবী, নরাসৈনা অমদি নিংথৌখোংনচিংবা মফমশিংদা ঙরাং অহিংদা দ্রোন ওইগনি চিংনবা পোৎশক কয়া আতিয়াদা পাইবা থেংনবদগী মীয়াম মীপাইনখ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী আর.কে. মণিপুরসনা হায়- থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা ঙরাং অহিং মাহকৈ অদোমদা লৈরিবা মীয়ামনা মশাগী য়ুম অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা মৈ থান্নখিদ্রে হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা চুরাচান্দপুরদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বঙ্কর অহুম থুগাইখ্রে। সেক্যুরিতিগী কাংবু অদুনা মোলসাংদা বঙ্কর অনি অদুগা লাইকা মোলসাও খুলদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৈরম্বা বঙ্করশিং থুগাইখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুশিংনা চান্দেল, তেংনৌপল অমসুং কাংপোকপী জিলাশিংদসু থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অদুমওইনমক, মীফা মীপুন অমদি খুৎলায় ফাবগী পাউদি লৈতে।

ছুতি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা ঙসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক ঙসি ছুতি ওইগনি।

রাজ্য সরকারগী হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্য অসিদা মহৈলোইশঙশিং এদেদ, সরকারগী অমদি লন্নাই কলেজশিং ঙসি ছুতি ওইগনি।

রেস্ক্যু (এল)ঃ নোনে জিলাগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন অমদি থিঙৌ মরক্তা লৈবা থোং অমগী মখাদা চীংদগী চেন্থরকপা লৈনাংশিং শেংদোকপগী থবক তৌবা শিন্মী অহুম লৈনাংনা চেন্থবদগী তেরিতোরিয়েল আর্মিগী কাংবুনা কনখ্রে। থৌদোক অসি রেল তন্নেল এলেভেনগী মনাক্তা লৈবা থোং অমগী মখাদা লৈনাংশিংনা ঈশিংগী ঈচেল থিংজিনদুনা লৈবদগী শেংদোকপগী থবক চথুরিঙৈদা খুদোংথিবা নংখিবনি।

পাউ অদু ফংবগা তেরিতোরিয়েল আর্মিনা খুদক্তা মখোয়গী কম্পনি ওপরেতিং বেজদগী ছার্স এন্দ রেস্ক্যু টিম থারক্তুনা খুদোংথিবা নংলবা শিন্মীশিং অদু কনখিবনি।

মিৎ (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ ভিজ্‌য়েল ইম্পয়ারমেন্ট, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরনা শিন্দুনা ৩৯ শুবা আই দোনেসন ফোর্টনাইট থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। আই কেন সি ক্লিয়ারলি নাউ হায়বা হিরমদা ঙরাং ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন্না হায়-মীওইবা অমনা মশাগী হকচাংগী কয়াৎ অমা কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সি কন্নবগীদমক কৎথোকপা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমদি ওইরি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি ২০২৩ গী নম্বেম্বর ২৯ দা মণিপুরদসু ষ্টেট আই বেঙ্ক হাংদুনা মীৎ দান তৌবা অমদি মীৎ উদ্রবশিংবু উহন্নবগী পান্দম থল্লি। হকচাংগী কয়াৎ দান তৌবা হায়বসি য়ামা চীং লেম্বা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। মসিনা কনাগুম্বা অমগী পুন্সি কনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীৎ দান তৌখিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুং অমদি হিরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা লাই য়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

কোকোমি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎতবগী মায়োক্তা কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না কৌখিবা মতম কত্তবা পাব্লিক ইম্মরজেন্সি হৌখ্রে। কোকোমিনা কৌখিবা পাব্লিক ইম্মরজেন্সি অসিনা মরম ওইরগা ঙসি কৈথেলশিং মহৌশাগুম কান্নখিদে, পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেনবগী চাং হন্থখি। পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

ব্লোকেদ (এল)ঃ নেসনলে হাইৱে-৩৭ কম্পেন্সেসন লোক আউট প্রোপরতিজ লেন্দ এন্দ ট্রকচরস ওর্নরস এসোসিয়েসন্না নেসনেল হাইৱে অসিগী খোংশাংদগী কন্ত্রিরোল ফাওবগী শরুক্তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চত্থবা হৌখিবদগী লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা থোক্লে। লম্বী শেন্বদা শোকপা লমশিং অমদি ট্রকচরশিংগী ক্ষেতিপুরন পীনবা দাবী তকশিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ হুমিগী ওইনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি চত্থবনি।

আরজিকরঃ		কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজগী ডোক্তর নুপী অমবু হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ফাখিবা শঞ্জয় রোই নুমিৎ ১৪ নি জেলদা থাজিনখ্রে। মহাকপু ঙরাং সিলদা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং কোর্টনা নুমিৎ ১৪ জেল থমবা খঙহন্নখিবনি।

জগদিপ ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা ঙসি সৈনিক স্কুল গোরাখপুর শঙ্গাগনি। স্কুল শঙ্গারবা মতুংদা জগৎ গুরু রাম ভদ্রচারিয়া দিবিয়াং ষ্টেট য়ুনিভর্সিতি চিত্রকুটতা নুমিৎ নিনি চুপা চথগদবা নেসনেল সেমিনারদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। সেমিনার অসি রিসি ত্রেদিসন ইন মোর্দন লাইফ হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কনি।

দাইলোগ ঃ ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনগদবা ভারত অমসুং মোলদ্বিপসকী মঙাসুবা মীফম ঙরাংদগী নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে। মীফম অসিদা ভারতকী ওইনা দিফেন্স সেক্রেতরি গিরিধার অরামেন্না লুচিংলি। অদুগা মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবু অদুবুনা চীফ ওফ দিফেন্স ফোর্স, জেনেরেল হব্রাহিম হিলমিনা লুচিংলি।

মীফম অসিদা ঙাকশেলগী লমদা মখা তানা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং খন্নবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবসু খন্নগনি।

মাওইষ্ট ঃ  আইন্না থিংখ্রবা সি.পি.আই মাওইষ্টকী মীওই ৬ ঙরাং তেলঙ্গনাগী ভাদ্রাদ্রি কোথাগুদেল জিলাদা লৈবা মোথে ভিলেজ মনাক্কী উমংদা পুলিসকা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা নুপী অনি য়াওরি। পুলিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা ইলিট এন্তি নক্সাল ফোর্সকী কম্মান্দো অনি শোকখি। থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা এ.কে. ফোরিতি সভেন রাইফল অনি, এস.এল.আর অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা অমসুং পিষ্টোল অমা ফংলে। থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি জো মিলিটেন্টশিংনা রোকেট বোম কাপ্লকপদা মীওই অমা লৈখিদবগী পাউ, কোকোমিনা মতম কক্তনা পাব্লিক ইন্মরজেন্সি লাউথোকখিবা অমসুং আই.টি.এল.এফ লিদর গিনজাগী মথক্তা এফ.আই.আর লৌখৎখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

কুকি জো মিলিটেন্টশিংনা রোকেট বোম কাপশিল্লকপদা মীওই অমা লৈখিদবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন, পোক ফম, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ, মণিপুর মেল, গানফিউমেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- কুকি তেরোরিষ্টশিং দ্রোন বোম্বিংগী মথংদা মিসাইল এটেক চখ্থরকখ্রে, চীংদগী মোইরাং অমসুং ত্রোংলাউবীদা কাপশিল্লকখ্রে, অমা শিরগা মঙা শোকখ্রে, য়ুম মাং তাকখ্রে, গেলমোলদা কাপ খ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং মফম কয়াদা হ্যমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাড অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

কোকোমিনা মতম কক্তনা পাব্লিক ইন্মরজেন্সি লাউথোকখিবগী পাউ অসিসু অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা অমদি অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- আর.এস.এসকী ভোলুন্টিয়ারশিং মণিপুরদা লৈরি, ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি হায়বা আর.এস.এসকী লুচিংবা মোহন ভাগবতকী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম অমদি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- আই.টি.এল.এফকী গিনজাগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুরগী ইরাং খন্ননবা রুলিং এম.এল.এশিংগা মীফম কৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম অমদি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- মণিপুর দ্রোন বোম্বিংগী মতাংদা সি.আই.এস.এফকী দি.জিনা চেয়ার লৌদুনা সেক্যুরিতি রিভিও তৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- ৩৯ শুবা আই দোনেসন ফোর্টনাইট থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি য়েংলগা মহৈ লোইশঙশিং ছুতি থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এস.এস.সি একজাম সেন্তর উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতসু পীবীয়ু হায়না অন্সমনা মণিপুরগী গভর্নর অমদি এস.এস.সি নোর্থ ইষ্ট রিজনগী রিজনেল দাইরেক্তরদসু অইবা চেরোল থাদুনা তকশিনখিবগী পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------